# রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা অমনা অমবু মরাল শীনরিঙৈদা ইন্দিয়ানা দিপ্লোমেটিক্কী খুত্থাংদা মতেং ওফর তৌখ্রে


যুএস, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
যুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেননা মখোয়গী কনফ্লিক্ট অদুবু নিগোসিএসনগী খুত্থাংদা লৈখায় তানবা হোৎননিংদে হায়না মরাল শীন্নরিঙৈদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অনীমক্তা নাকল অনীগী মরক্তা নিগোসিএসনগী খোঙথাং লাকহন্নবা হোৎনবদা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা মতেং পাঙগে হায়না ওফর তৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব রুচিরা কম্বোজনা লৈবাক-পোকপা নুমিত্তা সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা লৈবাক অনীমক্কী মীহুৎশিংদা হায়খি, মদুদি ইন্দিয়ানা নাকল অনীমক্তা দিপ্লোমেসি অমসুং দাইলোগকী লম্বীদা অমুক হল্লক্নবা মমাঙথক্তগী হৌনা আপিল তৌদুনা লাক্লি। লোয়ননা কনফ্লিক্ট অদুবু দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা পান্থেৎশিং শীজিন্নদুনা লোইশিনবগী ৱাফম অসি ইন্দিয়ানা মপুং ফানা শৌগৎলি।

নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হন্থহন্দুনা লান লেপহন্নবা হোৎনবগী থবক পুম্বা মতেং পাঙননবা ইন্দিয়ানা শেম শাদুনা লৈ হায়না ফোঙদোক্লদুনা কম্বোজনা হায়খি, মদুদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা দিপ্লোমেসি অমসুং দাইলোগকী মতাংদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিগা ৱারী শান্নখ্রে। মরাল লৈজদবা মীচম কয়া শিহল্লগা সোলুসন অমত্তা পুরকপা ঙম্লোই হায়না ঐখোয়না থাজে। য়ুক্রেনগী সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা এটেক কয়া চত্থখিবগা মরী লৈননা রসিয়াবু মিং ওইনা পন্দনা মহাক্না অদুগুম্বা এটেকশিং অদু নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি। রসিয়ানা য়ুক্রেনগী ইনর্জি অমদি অতৈ সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা পাক শন্না এটেক চত্থদুনা নিংথম থা চঙলক্লবা মতম অসিদা লৈবাক অসিগী ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ৱাটর সপ্লাই নেটৱার্কশিং ফেল ওইহনখিবনি।

হন্দক্কী চয়োল খরা অসিদা সিভিলিয়নশিং অমসুং সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা হালেংবা লৈতনা এটেক কয়া চত্থখিবসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই। হিরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়ুক্রেনগী মীয়ামদা মখোয়গী অৱাবা অদু উই হায়বা ৱাফম অসি থন্বা পান্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কম্বোজনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোক্লিবা মীফম অদুদা কাউন্সিলদা ব্রিফ তৌরদুনা অন্দর-সেক্রেটরি-জেনরেল মার্টিন গ্রিফিটসনা হায়খি, য়ুক্রেনদা ঙসি সিভিলিয়নশিং হিংজনবগী পাঙ্গলদা ফাওবা টার্গেট তৌদুনা এটেক চত্থরে। শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ২০ গী মখাদা হাইথখ্রবা মতম অসিদা পৱার ষ্টেসনশিং অমসুং হিট্টিং প্লান্টশিং য়াওনা য়ুক্রেনগী ইনর্জি ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা লেপ্তনা এটেক চত্থবা অসিনা মীওই মিলিয়ন কয়া মৈশা, ইলেক্ট্রিসিটি অমসুং ঈশিং ফঙহন্দ্রে।



রসিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব বাসিলি নেবেঞ্জিয়ানা মীফম অদুদা হায়খি, মদুদি কনফ্লিক্ট অদুবু দিপ্লোমেটিক পান্থেৎশিং শীজিন্নদুনা সোলুসন অমা পুরক্নবা যুএন মেম্বরশিংনা পীরক্লিবা সজেসনশিং মোস্কোনা লূনা লৌই অমসুং নিগোসিএসন চত্থবগী ৱাফম অসি য়ানিংই। তৌইগুম্বসুং মহাক্না য়ুক্রেন নত্তগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কনফ্লিক্ট অসিগী মতাংদা দিপ্লোমেটিক সেটলমেন্ট পুরক্নবা হোৎনবা পামদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা কিভকী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব সর্গি কিস্লিটসিয়ানা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেননা মরা তপ্পা ফিভম লাকহনবা পান্মী। তৌইগুম্বসুং রসিয়ানা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা শেম শাদুনা লৈ হায়বা ৱাফম অসিদি ঐখোয়না হেক্তা ইরায় লাইনা থাজবদি ঙমদে।

অমরোমদা, মহাক্না রসিয়নশিংনা মখোয়গী লানগী খুৎলায়গী পুক্কৈগী অহোবশিং মেনশিন্নবা অমদি ওক্যুপাইদ টেরিটরিশিংদা ষ্ট্রোংহোল্ডশিং শেমগৎ শাগৎনবা অমদি অনৌবা এটেক অমা চত্থনবা রসিয়ানা মতম লৌনবা অসিগুম্বা ইঙ্গিৎ পীরকপসিদি ঐখোয়না য়ানিংদে হায়খি।

# কৃষ্টান মিচেলনা টিহার জেলদা মহাকপু তাথি তাওইনা তৌই হায়না য়ুকেগী পিএমদা খঙহনখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
আগষ্ট ৱেষ্টলেন্দ চোপ্পর স্কাম কেসতা মিদ্দলমেন অমনি হায়রিবা কৃষ্টান মিচেলনা মহাকপু দিল্লিগী টিহার জেলদা তাথি তাওইনা তৌই অমসুং চহী মরি চুপ্পা ট্রাইএল চত্থদনা, চার্জ তৌদনা অমসুং বেল পীদনা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর রিসি সুনাক্তা ইদুনা ক্লেম তৌখ্রে হায়রি।

মহাক্না ৱাফম অসি টিহার জেলদগী থাখিবা মখুৎনা ইবা অমসুং মশাগী খুৎয়েক য়াওবা লমায় মঙাগী লেটর অমদা ফোঙদোকখিবনি। বৃটিস সিটিজেন অসিগা নক্নবা ছোর্স অমনা নবেম্বর ৫ দা ইখিবা লেট্টর অদু তশেংনমক মিচেলনা মখুৎনা ইখিবনি হায়বসি কনফার্ম তৌই।

কম্যুনিকেসন অদুগী কোপিশিং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বৃটিস হোম সেক্রেটরি স্বেলা ব্রেবরমেন অমসুং মিচেলগী বৃটিস উকিল টোবি কেটমেন অমদি অতৈ কয়াদা য়ৌখি হায়রি।

লেট্টর অদু ফঙলে নত্ত্রগা মদুগী রেস্পোন্স পীখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌনবা এজেন্সিনা হায়জবদা সুনাক্কী ওফিসকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে হায়রি।

ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই) অমসুং



এনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) না লুপা ক্রোর ৪৬০০ কী ওইবা আগষ্ট ৱেষ্ট লেন্দ ভি ভি আই পি হেলিকোপ্টর ১২ লৈনবগী ২০১০ গী দিল অমদা মরক্তা শেল চাওনা চান্নখি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা থিজিল্লিকখিবনি। মতমদুগী দিফেন্স মিনিষ্টর একে এন্টোনিনা কুমজা ২০১৩ গী ফেব্রুৱারীদা ইনভেষ্টিগেসন অদু চত্থনবা এজেন্সিশিং অসিদা খঙহনখিবনি।

তৌইগুম্বসুং চহী তরারোম হৌরক্লবসু এজেন্সি অমত্তনা ট্রাইয়েল চত্থবা য়াবা প্রোসিদিংগী ষ্টেজ য়ৌবা ঙমদনা লৈরি। ইদিনা কুমজা ২০১৬ গী জুনদা মিচেলগী মায়োক্তা চার্জ সিট অমা ফাইল তৌদুনা মহাকপু ট্রাঞ্জেক্সন অদুদা য়ুরো মিলিয়ন ৩০ ফাওবগী কম্মিসন ফঙখি হায়না মরাল শীখি।

অমরোমদা, মিচেলনদি ৱাফম অসিবু য়াখিদে। কুমজা ২০১৯ দা ইটালিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী কোর্টনা হেলিকোপ্টরগী দিল অদুদা মিচেলনা অরান অহুই তৌখি হায়বা ৱাফম অসি রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবা অমসুং ৱাখলনা পংশা শাজিনবনি হায়খি।

মিচেলনা মহাক্কী লেট্টর অদুদা য়ুকেগী পিএম সুনাক্না হায়খি, মদুদি যুএন ৱার্কিং গ্রুপ ওন আর্বিট্রেরি দিটেন্সন (দব্লিয়ু জি এ দি) না কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টবু সেন্সর তৌখি অমসুং মহাকপু খুদক্তা থাদোক্নবা অমদি ইন্টরনেসনেল লোগী মতুং ইন্না মঙোন্দা পীফম থোকপা রিপরেসন পীননবা খঙহনখি হায়না পনখি।

# সেহবাজ সারিফকী মচানুপা সুলেমান অমসুং নৱাজ সারিফ পাকিস্তানদা হল্লক্লগনি

ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টরগী সেহবাজ সারিফকী মচানুপা সুলেমান সেহবাজনা লৈবাক অসিদা হল্লক্নবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু প্রোটেক্টিব বেল পীবিনবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইস্লামাবাদ হায় কোর্ট (আই ঐচ সি) দা হায়জখ্রে।

সুলেমানগী উকিল অমজাদ পর্বাইসনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা মহাক্কী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌখিবা মনি লোন্দরিংগী কেস অমদা মহাকপু চয়োল অনীগী প্রোটেক্টিব বেল পীবিনবা হায়জখি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রি।

পিটিসন অমদা সুলেমানননা হায়খি, মদুদি মহাক বিজিনেসমেন অমনি অমসুং মমাঙদা অমুক্তা পব্লিক ওফিস হোল্ডর ওইখিবা লৈতে। মহাক্কী মায়োক্তা য়ুম্ফম য়াওদনা মনি লোন্দরিংগী শেমজিন শাজিনবা কেস অমা ফাইল তৌরে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

স্যের পুন্নমক সেক্যুরিটিস এন্দ একচেঞ্জ কম্মিসন ওফ পাকিস্তান (এস ই সি পি) দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৈ অমসুং মহাক ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি এফ আই এনা পীরকপা নোটিস অমত্তা ফঙখিবা লৈতে হায়নসু পিটিস্নর অসিনা ক্লেম তৌখি। পিটিসন অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, মহাক কুমজা ২০১৮ দগী য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈরকখি। মশামক মপানদা লৈরিঙৈদা এফ আই এনা মহাক্কী মায়োক্তা কেস অমা ফাইল তৌখিবনি। কুমজা ২০২১ গী দিসেম্বরদা এজেন্সি অসিনা সেহবাজ অমসুং হমজাগী মায়োক্তা চল্লান অমা সম্মিট তৌখিবনি।





চল্লান অদু পিকেআর বিলিয়ন ১৬ কী মনি লোন্দরিং কেস অমদা চেন্নবগা মরী লৈননি। এফ আই এগী রিপোর্ট অদুদা সেহবাজকী ইমুংগী বেনামি একাউন্ট ২৮ লৈ অমদি একাউন্টশিং অদু ইনভেষ্টিগেসন টিম অমনা দিটেক তৌরে হায়না পনখি। মখোয়না পিকেআর বিলিয়ন ১৬.৩ গী মনি লোন্দরিং অদু একাউন্টশিং অদুগী খুত্থাংদা কুমজা ২০০৮ - ১৮ গী মনুংদা চত্থখিবনি হায়না ক্লেম তৌখি। এফ আই এনা ক্রেদিট ট্রাঞ্জিসন ১৭,০০০ গা মরী লৈনবা শেলগী লম্বীশিং একজামিন তৌখি। শেনফম অদু অরোনবা একাউন্টশিংদা থমখি অমদি পর্সনেল কেপাসিটি অমদা সেহবাজতা পীখি হায়নসু রিপোর্ট অদুদা মখা তানা পনখি হায়রি।

পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) গী সুপ্রিমো নৱাজ সারিফ মথং থাদা লন্দনদগী পাকিষ্টানদা হল্লক্লগনি হায়নসু জিও ন্যুজকী রিপোর্ট অমনা হায়রি। পাকিষ্টানগী হান্নগী পিএম অসি লন্দনদা চহী ৪ মথন্তা লোই ওইনা লৈরকখিবনি।

# ইন্দোনেসিয়াগী পুলিস ষ্টেসনদা চত্থখিবা সুইসাইদ বোম এটেকতা মীওই অমা শিখ্রে

জকারটা, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
ইন্দোনেসিয়াগী ৱেষ্ট জাবা প্রোভিন্সতা লৈবা পুলিস ষ্টেসন অমদা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়া অশোক অপন নঙখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মতুং ইন্না থাং মচা পায়বা মীওই অমা বিল্ডিং অদুদা চঙখিবা মতুংদা পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। বান্দুং পুলিসকী ওফিসল অস্বিন সিপায়ুংনা মেট্রো টিভিদা হায়খি, মদুদি পোকখায়বগী থৌদোক অদু থাং মচা পায়বা মীওই অমা অয়ুক পুং ৮.২০ লোম তাবা মতমদা পুলিসকী বিল্ডিং অদুদা চঙখিবা মতুং ইকান কান্নদনা থোকখিবনি।

নেসনেল পুলিস স্পোক্স পার্সন অহমদ রমাদান্না ন্যুজ ৱেবসাইট অমদা হায়খি, থৌদোক অদুদা শিরিবা মীওই অদু এটেক অদু পাঙথোক্লিবা মীওইদুনি। মখা তাবা ইনফোর্মেসন লৌননবা হোৎনবদা পুলিসকী মায়কৈদগী খুদক্কী ওইনা অহেনবা অকুপ্পা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

মেট্রো টিভিগী ফুটেজতা পুলিস ষ্টেসন অদুদা অমাঙ অতা থোক্লিবশিং অদু উৎখি। বিল্ডিং অদুগী গ্রাউন্দদা অকায় অতোইশিং তাবা অমদি মফম অদুদগী মৈখু কাবগী শক্তম উবা ফঙখি। অকোয়বদা লৈবা মীওইশিং লোকেল মেদিয়াদা অহৌবা মখোল অমা তাখি হায়না ফোঙদোকখি। পোকখায়বগী থৌদোক অদু করিনা থোকহল্লিবনো হায়বা খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা মালেমগী মুস্লিমশিংনা মেজোরিটি ওইবা খ্বাইদগী চাওবা লৈবাক অসিদা চর্চশিং, পুলিস ষ্টেসনশিং অমসুং ফোরেন্নরশিংনা তোইনা লাকপা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চত্থদুনা লাক্লিবনি।

মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা কেম্পেইন অমা চত্থনবা হোৎনরদুনা ইন্দোনেসিয়ানা হৌখিবা চহী খরা অসিদা অনৌবা অকনবা এন্টি-টেররিজম লো অমা পুথোকখ্রবনি। মদু ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা মীওইশিংনা শাথিরবা সুইসাইদ বোম্মিংশিং পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা মতুংদনি।

# প্রোপেগন্দাগী মতিক চাবা পাউখুম পীননবা বাংলাদেশকী পিএমনা মহৈরোয় লূচিংবশিংদা আপিল তৌখ্রে

ধাকা, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
সোসল মেদিয়াদা রুল্লিং পার্টি অৱামি লিগকী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা প্রোপেগন্দগী মতিক চাবা পাউখুম পীননবা বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সেখ হাসিনানা রুল্লিং পার্টি অসিগী মহৈরোয় ৱিং বাংলাদেশ ছাত্র লিগ (বি সি এল) গী লুচিংবশিং অমদি এক্তিভিষ্টশিংদা খঙহনখ্রে।

দিজিটেল বাংলাদেশকী খুদোংচাবা অসি শীজিন্নদুনা সোসল মেদিয়াদা ঐখোয়গী মায়োক্তা চত্থরিবা প্রোপেগন্দগী মতিক চাবা পাউখুম পীনবা ঐহাক্না বি সি এলগী লুচিংবশিং অমসুং এক্তিভিষ্টশিংদা হায়রি হায়না হাসিনানা কেপিটেল ধাকাদা লৈবা পুৱারিদা রেকোর্দ ওইরবা সুহরাৱার্দি উদ্যানদা পাঙথোকপা বিসিএলগী ৩০ শুবা নেসনেল কাউন্সিলদা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা প্রোপেগন্দা অদুগী পাউখুম ওইনা লন-থুমশিং মৈ থাবা টেররিজম, মরাল লৈজদবা মীওইশিংবু হাৎপা, শেঞ্জা থুমজা তৌবা অমসুং ভোট রিগিং য়াওনা বি এন পি-জমাদ এল্লায়ন্সনা পাল্লিঙৈ মতমদা তৌখিবা অরানবা অমদি ফত্তবা থবকশিংগী ইনফোর্মেসন ওনলাইনদা চাইথোক্লবগী ৱাফম হৌদোকখি।

অসুম্না মখোয়গী ফত্তবশিং অসি ওনলাইনগী খুত্থাংদা পাক শন্না খঙহনবা তারবদি ঐখোয়গী মায়োক্তা মখোয়না চত্থরিবা প্রোপেগন্দা অসি লেপখিগনি। মসিমক বি সি এলনা শোয়দনা তৌবা ঙমগনি হায়না হাসিনানা মখা তানা ফোঙদোকখি।



বেঙ্কশিংদা শেল মরাং কায়না লৈত্রে হায়বা তোকঙাশিংদা থাজদনবসু সেখ হাসিনানা লৈবাক মীয়ামদা নৌহৌননা খঙহনখি।

মহাক্না হায়, ঐখোয়দা প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে, বাংলাদেশতা লৈরিবা বেঙ্ক খুদিংমক শেল লৈ। অদুনা অসিগুম্বা তোকঙাশিংদা থাজদনবা মীয়ামদা হায়জরি। বাংলাদেশকী প্রোগ্রেসিব মুভমেন্টশিংদা মহৈরোয় ৱিংনা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসনশিং কাউদে হায়না পিএম হাসিনানা বি সি এলগী লুচিংবশিং অমসুং ৱার্করশিংদা থমখি।

মহাক্না হায়, ছাত্র লিগকী পুৱারীদি বাংলাদেশকী পুৱারীনি। হাসিনানা হায়, কুমজা ১৯৫২ গী লেংগ্বেজ মুভমেন্ট, কুমজা ১৯৬৬ কী পোইন্ট তরুক্কী দিমান্দ, ১৯৬৯ দা পাত্তক্লনা চত্থখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অমসুং ইর্সাদ অমদি খালেদাজিয়াগী গভর্ণমেন্ট চিংথুনবগী লিভরেসন ৱারগুম্বা প্রোগ্রেসিব মুভমেন্ট খুদিংমক্তা বি সি এলনা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌখি।

বি সি এল অসি লৈবাক অসিবু কন্ননবগীদমক্তা মথ্থায় কথোকখিবশিংগী লিষ্টতা মকোক্তা লৈ। লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবদা বি সি এলনা চাওনা মতেং পাঙগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না হাসিনানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা বি সি এলগী লূচিংবশিংগী মফমদা মিনিট ১ তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

হাসিনানা হায়খি, মদুদি বাংলাদেশ অসি কুমজা ২০০৯ দা অৱামি লিগকী লৈঙাক লাকখিবদগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অমা ওইনা মালেম পুম্বনা শকখঙলে। কুমজা ২০০১ দা চহী মঙাগী টার্ম মপুং ফাখিবা মতমদা ইংনা চিক্না লৈঙাক্কী পৱার শীন্নখিবা অৱামি লিগ অসি বাংলাদেশকী পুৱারীদা অসিগুম্বা অমত্তা ঙাইরবা পার্টিনি হায়নসু হাসিনানা ফোঙদোকখি।

# জেলগী কন্দিসনশিং ফগৎহন্নবা তকশিন্দুনা ইনমেটশিংনা হঙ্গর ষ্ট্রাইক চত্থখ্রে

লাস বেগাস, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
যুএসকী নেবাদা ষ্টেটতা লৈবা এলি ষ্টেট প্রিজনগী ইনমেট ৩৯ না জেল অদুগী কন্দিসনশিং ফগৎহন্নবা তকশিন্দুনা দিসেম্বর ১ দগী হঙ্গৎ ষ্ট্রাইক হৌখ্রে অমসুং মখোয়গী মনুংদা ইনমেট ২৭ না প্রোটেষ্ট অদু মখা চত্থরি হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

জেল মনুংগী ফিভমশিং হেন্না ফগৎহন্নবা কেম্পেইন তৌরিবা গ্রুপ অমা ওইরিবা রিটর্ন ষ্ট্রোঙগী ৱারোল পল্লদুনা ক্লাস টিবিদা হায়খি, মদুদি ইনমেটশিং অদুনা মখোয়না লৈরিবা জেলগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

গ্রুপ অসিনা হৌজিক ষ্ট্রাইক তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। মখোয়না ষ্ট্রাইক তৌবগী মরম ওইরিবা জেলগী কন্দিসনশিং ষ্টেট অপুন্বগী ওইনা চপ মান্ননা উরি। করেকস্নেল এব্যুস অমসুং ইনমেটশিংবু নাইতোম ওইনা মতম শাংনা থমজিনবা য়াওনা প্রিজনরশিংগী মায়োক্তা চত্থরিবা ভাইওলেন্স অসিগা মরী লৈননা খুদক্তা ষ্টেটনা মীৎয়েং চঙননবা রিটর্ন ষ্ট্রোঙনা হায়জখি।

গ্রুপ অসিনা মখা তারদুনা লোকদাউনশিং, মোদিফাইদ লোকদাউনশিং, দি ফেক্টো সোলিটরি কনফাইনমেন্ট, করেকস্নেল এব্যুস, গ্রুপ পনিসমেন্ট অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব এব্যুসনচিংবা প্রিজনরশিংবু কা হেন্না ওৎ নৈবগী থৌওংশিং অসিদসু মীৎয়েং চঙননবা ষ্টেটকী মীৎয়েং চিংশিনখি।



রিপোর্ট অদুনা হায়, মমাঙগী চহী অপুনবদা ইনমেট কয়ানা লোকেল ন্যুজ আউটলেটশিং কন্টেক্ট তৌদুনা মখোয়বু মতম শাংনা লোকদাউনগী মখাদা থম্বীরে অমসুং মেদিকেলগী মথৌ তাবশিংবুসু করিমত্তা য়েংশিনবীদ্রে অমদি মখোয় মতম চুপ্পদা সেফতিগীদমক্তা অকিবা পোক্তুনা লৈরে হায়না তমখি।

এলি ষ্টেট প্রিজন অসি যুএসকী সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং খ্বাইদগী কনবা প্রিজনশিংগী মনুংদা অমনি অমসুং মসিদা শিবগী চৈরাক পীরবা ইনমেট কয়া থন্মী। নেবাদা দিপার্টমেন্ট ওফ করেকসন্স (এন দি ও সি) না ষ্টেটমেন্ট অমা ইস্যু তৌদুনা জেলদা হঙ্গর ষ্ট্রাইক তৌরিবদু কনফার্ম তৌরদুনা হায়খি, ষ্ট্রাইক অদু দিসেম্বর ১ দগী হৌখি। মরু ওইনা মখোয়না জেলদা সপ্লাই তৌরিবা চিঞ্জাক্কী ক্বালিটিদা য়ানিংদবদগী অমদি মখোয়বু থম্বগী কন্দিসনশিং ফত্তবগী মায়োক্তা চত্থখিবনি।

# কূ পাঙথোক্লবা লৌতুনরম্বগী মরালদা মীওই ২৫ জর্মন ওথোরিটিশিংনা ফাগৎখ্রে

বর্লিন, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
লৈঙাক চিংথুনবা লৌতুনরম্বগী মরালদা জমর্নিগী মফম কয়াদগী মীওই ২৫ ফাগৎখ্রে। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা চত্থখিবা রেইদশিংদা মীওইশিং অদু ফাখিবনি হায়রি।

বি বি সিনা জর্মন রিপোর্টশিং পল্লদুনা হায়, ফার রাইট অমসুং হান্নগী মিলিটরি ফিগরশিংগী গ্রুপ অদুনা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং রিচ ইষ্টাগতা থোমজিন্নবা অমদি পৱার পায়ননবা লৌতুনরমখি।

হেনরি ১৩ শুবা কৌবা প্রিন্স অমনি হায়বা মশাগী চহী ৭১ শুরবা জর্মন নুপা অমনা লৈঙাক চিংথুনবগী লৌতুনবা অদুদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরমখি। জমর্নিগী ষ্টেট ১১ দা চত্থখিবা রেইদশিং অদুদা ফাগৎখিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা রিং লিদরশিংনি হায়বা মীওই অনী য়াওই হায়না ফেদরেল প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

লৌতুনবদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং অদুদা এক্সট্রিমিষ্ট রিচ বর্গর সিটিজন্স ওফ ড রিচ (মুভমেন্ট) গী মেম্বরশিং য়াওই। শাথিরবা এটেকশিং অমসুং কাঙলুপ নাইবগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা কন্সপিরেসিগী থিওরিশিংগা মরী লৈননা জর্মন পুলিসনা মুভমেন্ট অসিগী মীওইশিং কুপ্পা শেন্নদুনা লাকখিবনি। মুভমেন্ট অসিনা মোর্দন জর্মন ষ্টেট শকখঙবসু লৈতে। রিপব্লিক অসিগী লৈঙাক চিংথুদুনা কুমজা ১৮৭১ গী জমর্নিগী মোদেলদা অনৌবা ষ্টেট অমা শেমদুনা মহুৎ শিলহন্নবগীদমক্তা লৌতুনরিবা গ্রুপ অদুদা নুপা অমসুং নুপী ৫০ য়াওই। ফেদরেল প্রোজিক্যুটর ওফিসকী স্পোক্সমেন অমনা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা গ্রুপ অসিগী মমিং ঐখোয়দা লৈতে।

# কোভিদ লাইচৎ হৌখিবদগী য়ুএসতা লায়না অসি পোজিটিব ওইবা অঙাং মশিং মিলিয়ন ১৫ হেল্লে

ৱাশিংতন, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
অমেরিকন একাদেমি ওফ পেদিয়াট্রিক্স (এএপি) অমসুং চিলদ্রেনস' হোস্পিটাল এসোসিএসনগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০ গী অঙনবদা কোভিদ ১৯ পেন্দামিক হৌখিবদগী য়ুএসতা লায়না অসিগী ইনফেক্সন খঙনবা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইবা অঙাং মশিং মিলিয়ন ১৫ হেল্লে। রিপোর্ট অদু পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, হৌখিবা চয়োল মরি অসিদা কেসশিং অসিগী মনুংদগী কেস ১১৪,০০০ সু হাপচিনখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রি, মদুদি দিসেম্বর অমনা লোইখিবা খ্বাইদগী নৌবা চয়োলগী মতমদা অঙাংশিংগী মরক্তা পুন্না কোভিদ ১৯ কেস ২৮,৬০০ থেংনখি। কেসশিং অসি তশেংনা অঙাংশিংগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা অশেংবা ইনফেক্সন মশিং অদুদগী য়াম্না হন্থরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, অনৌবা ভেরিয়েন্টশিংগা মরী লৈননা লায়না লুশিনবগী চাং অমদি লায়নাশিং অসিগী তুং কোইনা ইফেক্টশিং লেপথোক্লবা চহী তাঙ্ককশিংগী ওইবা দেটা হেন্না কলেক্সন তৌবা মথৌ তাই। অঙাংশিংগী হেল্থতা পেন্দামিক অসিগী খুদক্কী ওইবা ইফেক্টশিং খঙদোকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।



মসিগা লোয়ননা অঙাংশিং অমদি নহাশিংদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরু ওইনা মখোয়গী হকচাং, ৱাখলনচিংবদা পীরিবা তুং কোইনা পীগদবা ইম্পেক্টশিং খঙদোক্লবা হোৎনবা অসিসু য়াম্না মরু ওইনা হায়না এ এ পিনা রিপোর্ট অদুদা পনখি।

অমরোমদা, হৌখিবা চয়োলদা কোভিদ কেস চাদা ৭৫ হেনগৎ-লকখিবগা লোয়ননা লোস এঞ্জেলিসতা লাইচৎ অসিগী অনৌবা ৱেব অমা লাক্লে হায়রি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লোইখিবা নুমিৎ তরেৎনি নুমিৎ খুদিংগী চাংচৎতা কোরোনা ভাইরসকী কেস ৩,৭২১ রিপোর্ট তৌখি। মমাঙগী চয়োলদা কেস ২১২৮ দিটেক্ট তৌখিবদগী মশিং অসিদা হেনগৎলকখিবনি।

খ্বাইদগী নৌবা লায়না অসিগী কেসকী রেট অসি থেঙ্কস গিবিংগী লৈখিবা অদুদগী শরুক অনী হেল্লি অমসুং নবেম্বরগী অহানবা চয়োলদা রেকোর্দ তৌখিবা রেট অদুদগী শরুক অহুম হেল্লি। মসিগা লোয়ননা কোভিদ ১৯ না মী শিহনবসু হেনগৎলক্লে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৈখিবা চয়োলদা কাউন্টি অসিদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৭৬ শিখিবগা লোয়ননা মমাঙগী চয়োলদা শিখিবা মশিং ৫৩ দগী হেনখি।

# পার্লিয়ামেন্টরি মীটিং পাঙথোক্তুনা থবক থৌরমশিং অমসুং বজেটকী ইস্যুশিং খন্নরগনি

সিওল, দিসেম্বর ৭ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী কেপিটেল পিওংয়াংদা লৈবা মমিংতগী ওইবা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অমা লাক্লিবা জনুৱারীদা পাঙথোক্তুনা মথংগী চহীগী থবক থৌরমশিং অমসুং বজেটকী ইস্যুশিং খন্নরগনি হায়না ষ্টেট মেদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

সুপ্রিম পিপলস এসেমব্লি (এস পি এ) গী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী মীফম অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখি অমসুং কুমজা ২০২৩ গী জনুৱারী ১৭ তা ১৪ শুবা এস পিএগী নিপানশুবা সেসন পাঙথোক্নবা ৱারেপ লৌখি হায়না পিওংয়াংগী ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি (কে সি এন এ) না ফোঙদোকখি।

কে সি এন এগী রিপোর্ট পল্লদুনা য়োনহাব ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, সেসন অদু মরু ওইনা কুমজা ২০২৩ গী থবকশিং, ষ্টেট বজেট ইস্যুশিং অমসুং ওর্গনাইজেসনগী ওইবা ৱাফমশিং খন্ননবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। এস পি এ অসি নোর্থকী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ষ্টেট পৱারগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওর্গান ওইজরবসু রুল্লিং ৱার্কর্স পার্টি ওফ কোরিয়া (দব্লিয়ু বি কে) না লৌরকপা ৱারেপশিং মমিংগী ওইনা অয়াবা পী।

নোর্থ কোরিয়ানা থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা পার্টিগী মরু ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা চহী অসিগী এচিবমেন্টশিং রিভিয়ু তৌননবা অমসুং মথং চহীগী পোলিসি প্রোজেক্টশিং খন্ননবসু থৌরাং তৌরি। জনুৱারীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এস পি এগী মীটিংদা প্রোজেক্টশিং অমদি বজেটকা মরী লৈনবা ৱারেপশিং এপ্রুভ তৌগনি।

নোর্থকী লেজিসলেচরনা মমাঙদা এপ্রিল থাদা প্লিনরি সেসন পাঙথোক্তুনা ষ্টেট বজেট অমসুং কেবিনেটে রিসফলনচিংবা ইস্যুশিং খন্নদুনা লাকপনি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহী খরা অসিদা লেজিসলেচরনা চহী অমদা অসিগুম্বা মীফম অনী কৌখি।

মীফম অনীদুগী মনুংদা অমনা চহীসিগী ফেব্রুৱারীদা অমসুং অতোপ্পা মীফম অদুনা সেপ্টেম্বরদা কৌখিবনি। সেপ্টেম্বরগী এস পি এ সেসনদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উননা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং লিগেলাইস তৌরে হায়না লাউথোকখি। এসপিএনা প্রি-এমটিপ ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক য়াহল্লিবা অনৌবা লো এপ্রুভ তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না ৱাফম অদু লাউথোকখিবনি।